# মণিপুরগী পুৱারীদা নিংথৌ সনাহল মোরাম্বা

## (অহল-লমন্না থম্বীরম্বা ৱারী/লাইরিক্তগী খোমজিঞ্জবা)

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com

ইথন্তা সুম খল্লি। লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, অশি-অনা কয়া অসি উরু-তারুবদা পূক্লিংদা নীংঙমদবা, পেন্দবা ফাওবা অসুম-অসুম হেনগৎলকই। কুকিশিংগী মীনুংশি য়াওদবা, মীওইবগী লীচৎ চত্তবা, হিংচা-য়াইতম্বা, শাহিং চাবা শাদগী হেন্না শাথীবা তমথীবা মতৌ, মীতৈশিংদা চথুখিবা শাজৎ, পীক্লিবা মীরোল তাদ্রিবা তাইবঙপাল করিনো খঙজদ্রিবা অঙাং-নৱা ফাওবা নুংশি হৈতনা মমিৎ ফাওবা কোৎথোক্লগা হাৎখিবা থৌওং, নুপীদা চথুখিবা মীওৎ-মীনৈ, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াম্না callous ওইবা attitude, মসিরা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং, খল্লিবা ৱাখল, তৌরিবা থৌওং। হৌখ্রবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা নীংশিংলকই। অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌনা পাল্লিঙৈ মতম, শান্তদাশ গোষাইনা মীতৈ পূন্নমক গৌরিয়া ধর্ম্মদা লাইমিং লৌখ্রবা মতুংদা মীতৈশিং অদুনা গৌরিয়া ধর্ম্মগী চৎন-কাঙলোন, চাকচা-য়ুথক, লাইনিং-লাইশোন ময়াম অদু ইন্দবা, চত্তবা থৌওং উরুবদা করম্না গৌরিয়া ধর্ম্ম অসি হকচিন্না শন্দোকপা ঙমগদগে হায়না ৱাখল খল্লদুনা পামহৈবা নিংথৌগা ৱা তান্নরকই। করম্না তৌরগদি মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসি ঐনা হায়বা ইনগনি। পামহৈবা নিংথৌনা অসুম্না তাকপীখি হায়নৈ। মীতৈ ঐখোয়গী কনখ্রবা ৱাশক্তি নোংখ্রেং মসা পায়দুনা ইবুধৌগী নুংজেংদা ইরুপ্তুনা শকপা ৱাশক্তি লেংফদ্রবা ওইগনি। অসুম্না শান্তদাশ গুরুনা মীতৈ ময়াম নোংখ্রেং ইরুপহনখ্রে। মসিনা ওইরমানে ঙসি ফাওবদা মীতৈ অঙম অথৌশিং দেল্লীদা লৈবা গুরুশিংগী মথক্তা হংগৎনা ৱা ঙাঙবা ঙমজদে। মখোয়গী য়াকা য়েংদুনা লৈবনা ঙসি ঐখোয়না অৱাবা নংলিবনি।

ইরোম শাগৈদা ওংবী ইরোম চাউবগী লোয়নবী ফজবতনা লৈতেং ওইরিবী ইরোম থম্বালনি। ফজবগী তুংনফম্নি। মতমদু চরাইরোংবা নিংথৌনা নোংগাখ্রবা মতুং পামহৈবনা মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইনা পানবা মতমনি। নিংথৌ পামহৈবগী লৈমা অনী শুখি। লৈমা অহল মচা মরিনি। শ্যাম সাই, অনন্ত সাই, ভারত সাই অমসুং চিত্ত সাই। লৈমা অতোনবীগীনা সনাহল মোরাম্বা অমসুং তোলেন তোম্বা। সনাহল মোরাম্বদি পামহৈবা নিংথৌগী মচা নত্তে হায়নৈ। লৈমা অতোনবী অদুনা নাওপুদুনা পুরকপা সনাহল মোরাম্বনি। ইরোম শাগৈদা ওংবী মশক মতৌ চংখোনবী মীতৈ চনু থম্বালনি। মহাক্কী নিংথিজবা মায়থোঙ, ঈং-তপ্পা মতৌ অদু তাবদা নিংথৌ মনাই অঙম্বা তরামুক্লা পামহৈবগী য়াথংবু পুদুনা ইরোম চাউবগী য়ূম্বু থিরকই। চাউবগী য়ূম য়ৌরক্তুনা ইরোম থম্বালগী মফমদা হায়রকই পামহৈবা নিংথৌগী য়াথং পুদুনা লাকপনি। সনা য়াথং ইন্দুনা সনা কোনুং লেংলসি। থম্বাল মহাক্তি থাবুম মঙা নাওপুদুনা লৈরক্লে। নিংথৌকোলগী লৈমা ওইবা মতিক চাজদে হায়দুনা য়াদ্রে। মথংদা নিংথৌনা থম্বালবু ফাদুনা পুরক্লবা য়াথং তাওথরে। মপুরোইবা চাউবতবু লাইনীং ওইদুনা লৈরিবা মীতৈ চনু অদুগী ৱাহৈ ৱাতাশিং অদু তাবদা নিংথৌ মনাইশিং অদু থম্বালবু ফাবা-পুনবা তৌবা ঙমদ্রে। মপুরোইবা নত্তনা কনাগীসু ৱাখল তৌদ্রবা, মপুরোইবতবু লাইনীং ওইজবা, নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা ঙাক্লা চৎচবা থম্বালনি। মপুরোইববু মথানুংদা চেৎনা কোনশিঞ্জবা থৌওং কয়া অদুনা নিংথৌ মনাইশিং অদু নত্তবা থৌওং অমত্তা চথুবা ঙমখিদ্রে। নিংথৌ পামহৈবা অশাওবা লোয়নরে। নিংথৌ শামু থক্তা তোংদুনা মনাইশিংগা লোয়ননা থম্বালবু লৌবা লাক্লে। য়াথং তাওথরে। ইরোম চাউবা নঙগী তালোই মশক য়েংনীংই। চাউবনা হংগৎচৈ, পাখংবগী মশক ওইরবা ইনিংথৌগী মমাঙদা লেপ্পা মতম ওইদরে। মশা শোল্লে হায়দুনা য়াদরে। নিংথৌনা মসিদি য়াররোই খঙলদুনা নমদুনা ফারগা পুরগে খনখ্রে। মনাইশিংবু কৌশিল্লে। চাইনরে। পামহৈবগী মখূৎতা চাউবা য়াইবী থৱায় থাখরে। থম্বাল কোনুং তম্না পুখরে। লৈমা ফমথোন হাপখ্রে।

থম্বাল লৈমরেল ওইদুনসু নুংঙাইফম খঙখিদে। মমাই-মমিৎ পাংদ্রি ফাওবদি পূন্সি লেল্লগে খল্লে। মতম তুংইন্না নুমিৎ মশীং শুরদুনা সনাহল মোরাম্বা তাইবঙ ফাওরক্লে। থা-না নোংমা নোংমগী অসুম মপূং ফারকপগুম সনাহল মোরাম্বসু চাওরক্লে। মপাঙ্গল কল্লে। মথৌনা মরৌশিং লৈরে। মচাগী মশক উরগা মমা থম্বালদি থম্মোয় কায়রে। মোরাম্বগী মশক য়েংলগা মপুরোইববু হেন্না হেন্না নীংশিংহন্নবা মরম ওইরে। মতম পূম্বদা নুংঙাইফম খঙদে। মায়থোং মকা লাম্না হিংবা পূন্সি হায়বদু ওইখিদে। মমাগী মতৌ অদু উবদা করি নুংঙাইতবা লৈবগে তত্তনা হংজে। থম্মোয়গী ৱাবু লোৎশিন্দুনা করিসু লৈতে হায়দুনা থেমজিল্লি। মমাগী নুংঙাইতবা মতৌ অদু উবদা মোরাম্বগী থম্মোয়দা নোংম-নোংমগী চিংনবা হেনগৎলকই। নিংথৌকোলদা লৈরিবা মমানা করিগী নুংশুক-নুংজানরিবনো। মমাদা তোয়না হংলকই। নোংমদি, মমাসু মচাদা ৱাফম পূম্বা তল্লগে খন্দুনা লৈরে। ৱারী পূম্বা লীরে। ৱারী অদু তারবা মতুংদা মোরাম্বনা হংলকই ইরোমদি নিংথৌ ওইবা য়াদবরা? মমানা অসুম্না তাকপীখি। মীতৈ হায়বা অসিদি পাখংবগী চাদানি। ইবুধৌ পাখংবগী থৌজাল মিৎয়েংনা নিংথৌ ওইরিবনি। ৱাহৈ অদু তাবদা মোরাম্বা নুংঙাইবনা লোইরে। মমাবু মুন্না য়েংলগা হায়রকই - ইবুধৌ পাখংবগী থৌজাল ফংবা ওইসনু। ৱাখল শোন্থবিগনু। মমাগী ৱারী অসি তাঙৈদগী মপাগী লমন খুমগে হায়দুনা মতম চূপ্পদা ৱাখল তৌবা হৌরে। লানগী থৌরাং লোইরে। পামহৈবগী মথক্তা লান তৌরে। পামহৈববু মায়থীবা পীদুনা মোরাম্বনা নিংথৌ ওইনা পাল্লে।

মোরাম্বগী মখূৎতা মায়থীরবা মতুংদা পামহৈবা লাইমিং লৌরগা ময়াং লাইফমদা চৎলগে খনখ্রে। অসুম্না খন্না মচা সাই মরিগা লোয়ননা মফম অমদা লৈখ্রে। মতম অসি শান্তদাশ গোষাইনা গৌরিয়া ধর্ম্ম মীতৈ লৈবাক্তা শন্দোক্লবা হোৎনবা মতমনি। শান্তদাশ গোষাইবু কৌদুনা মচা সাই মরিগা পূন্না লাইমিং লৌখি। শান্তদাশনা লাইনীংহল ওইবতা নত্তনা পামহৈবগী লমজিং লমতাকপা (এদভাইজর) ওইরে। মখোয় তরুক কূপ্না ৱা তান্নরে। লান্মী অমুক খোমদুনা মোরাম্বগী মথক্তা লান হৌরে। সনাহল মোরাম্বা কোনুং থাদোক্তুনা চেনখরে। পামহৈবনা নিংথৌ অমুক ওইরে। পামহৈবা নিংথৌ হরাওবনা লোইরে। মীত্রৈবাক শিনবা থুংনা গৌরিয়া ধর্ম্ম শন্দোক্লবা শান্তদাশ গুরুগা ৱা তান্নরে। মখা তানা পামহৈবা হায়বা লাইরিক অদু পারুবদা অসুম্না থেংনরকই। শান্তদাশ গোষাইনা গৌরিয়া ধর্ম্ম মীতৈ লৈবাক্তা শন্দোরকপা মতম অসিদা মীতৈ লাইরিক (পুয়া) কী মতিক মগুণবু অসুক্কী মতিক কিজরম্মী। মীতৈ লাইরিক অসি লৈরিবমখৈদি মীতৈ ফূরুপ পুম্বা গৌরিয়া লাইনিং চৎহনবা ঙম্লরোই খন্দুনা লাইরিক পূম্নমক মৈ থাদোক্লগে চপ য়ুংনা লেপ্লে। ৱাখল অসি খল্লদুনা নিংথৌ পামহৈবদা মীতৈ লাইরিক য়েংগে হায়রক্লে। লাইরিক অদু য়েংলবা মতুং নিংথৌদা হায়রকই। লাইরিক অসি শীজিন্নরবদি তিনচেনগনি-লাইচেনগনি। লাইরিক পূম্বা মৈ থাদোকখিবনা অফবা ওইগনি। লাইরিক খুদিংমক খোমগৎতুনা মৈ থানবা থৌরাং তৌরে। মৈ থাবগী থৌওংদি ঙসি ঐখোয়না মী শিরগা পোৎলোইবগী থৌরম অদুগা চপ মান্নে হায়। মৈ চুবা হৌরকপা মতমদা লাইরিক ময়াম অদু অঙকপা মওংদা খঙহৌদনা পুমচায় চাইখি হায়না ইরম্মী। লাইরিক ময়াম অদু খোমজিনবদা লাইরিক তরুক অমদি থিবা ফংখিদে। মফম খঙদনা পাইদুনা চৎখ্রে। মীতৈ লৈবাক্কী মফম অমদা তাশিনখ্রে। নোংমদি শোয়দনা ফংখিগনি থাজনরি। লাইরিক ৬ অদুদি সাকোক সলাই থিরেন, য়াংবী, নোংলেন নাওয়োম, সিংখন, পাখংবগী নাওয়োম, নুংলেন অসিনি হায়নৈ। লাইরিক মৈ থাখিবগী নুমিৎ অসিবু ঙসি ফাওবদা পুয়া মৈ থাখিবা নুমিৎ হায়দুনা নীংশিংনরি। মীতৈগী লাইরিক মৈ থাখ্রবা মতুং শান্তদাশ মশাদা লাইথুং পক্লে। লায়না লোয়নরে। মৈশা লাংলে। খোংনাংথাবা অহলদা কনবীনবা হায়জরে। অহল য়াথং মতুংইন্না পুরুপ শৌবী লুপলুরবা মতুং লাইথুং-লায়না কোকচখি।

অসোমদা মোরাম্বনা লান্মী ময়াম খোমদুনা পামহৈবগী মথক্তা লান তাবা হৌরক্লে। পামহৈবা মচাশিংগা লোয়ননা চেল্লে। শ্যাম সাই, অনন্ত সাই, ভরত সাই, চিত্ত সাই অমদি শান্তদাশকা পূন্না ৱা তান্নরে। 'নবদ্বীপ' তা চৎলসি লেপ্পরে। মতম খরা কোন্থা হায়বা মফম অদুদা পন্থরে। পাউ অসি ফংবগা মোরাম্বগী মনাওনুপা তোলেন তোম্বা অঙম অথৌগা লোয়ননা মফমদু তম্না খোঙশানখ্রে। মফমদু য়ৌবদা পামহৈবা নিংথৌদি, চেনখিরল্লে। ঔৱারোমদা চেনখ্রে হায়বা পাউ তাবদগী থিন্থদনা খোঙ্গুল লীবা হৌখ্রে। নিংথি তুরেল মপান্দা থেংনরে। মায়োক্লরে। পামহৈবা অশোক অপন নংলে। মফমদুদা থৱায় থাখ্রে। শান্তদাশ চেনখ্রে। শ্যাম সাই নিংথি তুরেলদা ইরাক্লখ্রে। শান্তদাশপু থিরকপদা লোক অমদা ফংলে। মফম অদুদা নিংথৌ মনাইশিংনা মথৱায় লৌরে । লোক অদুবু হৌজিক গোসাইরোক নৎত্রগা খুজাইরোক হায়না খঙনৈ। সনাহল মোরাম্বনা পানবা মতমদা মপাবুং পামহৈবনা শন্দোক্লম্বা লাইনীংবু মুথুৎনবা অদুগা মীতৈগী লাইনীং লাইশোন হঞ্জিন্নবা কন্না হোৎনরম্বা নিংথৌ সনাহল মোরাম্বনি।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি নিংথৌ মচা মশেন মরক্তা তাংবল (সিংহাসন) মুন্নবগী থৌওং, নুপীবু ইকায়খুম্নবা ৱাৎপা, ঐখোয়গী ইনাৎ-লিচৎপু থৌওইদবা, মীগী লিচৎপু অফবা ওইনা খনবা, মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি খঙমিন্নবা মতম ওইরে। ঙসিসু মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মরক্তা চথুরিবা থৌওং অসি নিংথৌ পাল্লিঙৈ সিংহাসন মুন্নবগী থৌওং অদুগা করিদা খেন্নরিবগে? চৌক্রি মুন্নবগী থৌওং তোক্লসি। অপূনবগী শক্তম শাগৎলসি। মীয়ামগী মীহুৎশিং লিংজেল মান্ননা থবক তৌসি। ঙসি লমদম অসিদা ওইরিবা মওং অসি মণিপুরনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা তিল্লুবা, মীগী লাইনীং লাইশোনবু ঐখোয়গীনি খন্না চৎলুবা পূম্নমক অসিগী মহয় ফংলিবরা? ৱান রিলিজন, ৱান নেশন, ৱান লেংগ্বেজগী মঙলান মঙলিবা ইন্দিয়া লৈঙাক পায়রিবা অঙম্বশিং অসিগী মর্সিদা ঐখোয় কয়াম কুইনা লৈখিগনি। ●

# কলিদা নিংথৌ ওইবা হায়বদু হেক থোকইদা

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

কলিদা নিংথৌ ওইগে হায়বা বিবীষণগী ৱাশক্তা বান্দর সেনানা নোকখি হায়। বিবীষণনা কলিদা নিংথৌ ওইবা নুংঙাইবা থবক নত্তে অৱাবনি, মহাক্লা ওইদবা ঙাঙলল্লবদি নিংথৌ ওইদুনা অৱাবদু ফংগে হায়না ৱাশকপনি। বান্দর সেনানা খল্লিবনা নিংথৌ ওইবা হায়বসি নুংঙাইবা থবক্লি, নিংথৌ ওইরগা নুংঙাইগে হায়বনি হায়না নোকখিবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা চৈরাওবা মতমদা রাধামাধবকী মান্দবতা ইপল লালহরিনা লীবা রমায়নগী ৱারীদা তাখিবনি। মমাঙৈদা নিংথৌগী পূন্সি নুংঙাইবা পূন্সিনি হায়না কল্লক্লরম্মী। হৌজিক নিংথৌ লৈত্রবা মতম অসিদনা লৈঙাকপশিংগী পূন্সিবু নুংঙাইবা পূন্সিনি হায়না লৌনরি। এম এল এ ওইবা নুংঙাই, মন্ত্রি ওইবনা অমুক হেন্না নুংঙাই, চীফ মিনিষ্টর ওইরবদি লোইরে ষ্টেট অদুদা মঙোন্দগী হেনবা লৈত্রে, মানা হায়বদুনা লৈবাক্কী আইন ওইগদৌরিবনি। মরাল লৈবা লৈতবা মানা ফাও হায়বা মী পুলিসনা ফাগদৌরিবনি ফাদবা ঙল্লোই, থাদোকখো হায়বদা থাদোক্তবা ঙম্বা নত্তে। মানা হায়বদো হেক ইল্লুদবদা লংনীংবা মতমদা কোত্তুনা লংথোকপা ঙম্বগী শক্তি মঙোন্দা লৈরিবনি। মসিনা মনুংগীনি, মসিগী মথক্তা তোলোপ ফংগদৌরিবনি, সিফাইনা ঙাক্কদৌরিবনি, গাড়ী ফংগদৌরিবনি, দ্রাইভর পীগদৌরিবনি, থাওসু লেম্না পীগনি লোয়ননা মনাই-মশল ফংগনি, লম্বীদা ফিরাল হাইদুনা সিফাইনা ঙাক্লগা চৎকদৌরিবনি।

মসিবু নুংঙাইরম্লোইদ্রা? মসিনা লোইবসু নত্তে, অমরোমদা মসিদি করিসু নত্তে। মসিনা ময়াম্না উবা মপানগী শক্তমদুনি। মসি নত্তবা মীনা উবা ফংদবা পদার মরুমদা পাঙথোক্লবা থবক থৌরম কয়া অমসু লৈরি। পদার মরুমদা লোৎনা পাঙথোক্লবসু মীপূম খুদিংমক্লা ইখঙ খঙনরবা প্রমান পীরুবদি ঙমদবা অদুগুম্বা থবক থৌরমশিং অদু ঐবু হায়হনবীরনু, কলম অসিদা মমি তাহঞ্জররোই। অসিগুম্বা অরোৎপা অমসুং অফোংবা খুদোংচাবা ময়াম অসি মীকাবদগী এম এল এ, মিনিষ্টর ওইনীংলকপা মীওই কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। মপান্থোংদা মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়জরবসু মনুংদদি শক্তি পায়নবা, মশাগী লন-থুম খোমজিন্নবা, নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমা ফংনবা ভোট লেপ্পনা অয়াম্বনি। মীখল মতমদা মাল-চাং কায়দুনা লুপা ক্রোর-ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা থাজরিবা, মশক খঙবা-খঙদবা ভোটরবু ওইরবদি মখোঙ শোক্লা খুরুম্লিবা অসিবু মীয়ামগী থৌগল তৌনীংবগী ওইরমগদ্রা? অশেংবা খঙলবসু মতম শাংনা পাউখুম ফংদবা ৱাহং ওইনা লৈরম্বদু ঙসিদি অশেংবা পাউখুম চোংথোরক্লে, মীয়াম ঙাকপী-শেনবীনবা ওইরমদ্রে, চৌক্রি কন্নবা ওইরম্লে। কনানা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগনি হায়বা অনৌবা ৱাহং অমা অমুক লাক্লে। অতৈ লোইনমক কোনশিল্লুদ্রবসু মীতৈনা থাগৎখিবা তম্পাক্কী মীহুৎ ৪০ কৈদৌরি হায়বা ৱাহং অসিমদি হংনীংলক্লে। ৪০দুগী মনুংদা ৩৫দি দবল ইঞ্জিনগী মরু ওইবা পার্ট ঙাক্তনি। মপান ফরিঙৈ লৈতোল শরূ পান্দে মতাগুম অচৌ-অচৌবা ৱা ঙাঙলম্বশিং ঙসিদি উখিদ্রে। ঐগী মীয়াম শোক্লগা য়েংদুনা লৈগদবা মীদু ঐদি নত্তে হায়খিবা নৎত্রা? কাউখ্রবরা? করিগী কুম্ভ কর্ণ ওনখ্রি, কনানা হৌদোক্লুনি? এক্সন য়েংবীয়ু হায়খিবদু কর্ফিয়ু থম্বা, নেট থিংবা অমদি মহৈরোয় ফুহনবা অসিরা এক্সন হায়বদো? চীং-তম নুংশিনদবা লৈরিবরা লাউরম্বদু সেকমাই লানবা ঙল্লবরা? জিরি চঙবা ঙমদ্রে, অশিবা হংবা চৎপদা ফাওবা অথিংবা লৈরে। লেম্না থারোই হায়বা নত্তনা করিবু তৌরিবগে? মীয়ামগী সী এমগী লৈঙাক নোংম-নোংমগী ফাগি তাশিল্লক্লি। লৈঙাক কৌবা পোৎশক অমা লমদম অসিদা লৈরিবরা হায়বা ৱাহং ফাওবা হংনরক্লে।

মণিপুর থুগায়নি হায়না ফোংনা লেপ্লিবা মিনিষ্টর অনী য়াওনা কুকি এম এল এ ১০ ওফিস কারক্তবা থা ১৯ ফাখ্রে। এসেমব্লিগী মীফম য়াওখিদ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা মখোয় এম এল এ ওইরি, মিনিষ্টর অদুম ওইরি, তোক্ত্রি লৌথোকসু লৌথোক্ত্রি, লৌথোকপা ঙমদে। থবক তৌদ্রবসু, ওফিস কাদ্রবসু ফংফম থোকপা থোক্তবা য়েংদনা লৌবা য়াবা মখৈ লৌরমগনি, শেলদি অমত্তা লেম্না থারল্লোই, পেকপা য়াবমখৈ পেক্লমগনি, লশিংনা নপ্পগবু লৌখৎলমগনি, থবক তৌদ্রবদি লৌফম থোকপ্রা? পীফম থোক্ত্রবসু করিগী পীরিবনো? কয়াম কুইনা মখোয়বু থেমখিগদৌরিবনো? করিগী লৌথোক্তবনো? মখোয়গী মখূত্তা লৈবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিং অদুনা কনানা য়েংশিল্লমগনি? মকোক য়াওদ্রবা দিপার্টমেন্টশিং অদু মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্লমগদ্রা? কনানা য়েংশিল্লমগনি? হোয় খেন্নববুদি লৈফম থোক্তে মখোয়না ওফিস কারিঙৈদসু করি অচুম্ববু তৌরমগনি? মিনিষ্টর, এম এল এ ওইরগা লৈঙাক্কী মথক্তা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেশন তান্দুনা লান হৌবা ঙম্বা, মী হাৎপা ঙম্বা, মীগী ময়ূম-মকৈ মৈ থাদুনা তাম্থোকপা ঙম্বা মীওইশিং অদুনা মমাঙথক্তা করি অচুম্বা, অফবা থবক তৌরমগনি? তৌরল্লোই কোকশিং অদুদগী করি অফবা ৱাখল থোরক্লমগনি? মখোয়গুম্বশিং অদুনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরম্বদগীনি ঙসি লমদম অসিগী ফীভম অসি য়ৌখ্রিবসি। অমরোমদা, লৈঙাক্কী শেল খরা মাঙজরবসু দিপার্টমেন্ট খরা মখোয়গী খূবাম্লুংদগী নাম্থোরকপা হায়বসিসু কৈশালগী মখূত্তগী শজি নাম্থোরকপগুম্বনি, দিপার্টমেন্টশিং অদুগীদি মরাইবক ফরবনি।

মনীং মখা তৌরিবা কুকি এম এল এশিং ৱাররুবা মী লৈত্রবরা? মখোয়না তৌনীংবা খুদিংমক তৌহল্লগদ্রা? লমদম অসিদা আইন লৈত্রবরা নৎত্রগা মীহুৎ ওইরবদি তৌনীংবা খুদিংমক মনিং তম্না তৌবা য়ারবরা? লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈরবা, লৈবাক অসিদা চৎনরিবা আইনবু ফোংনা শীংনরিবা মখোয়বু করিগী চৈরাক পীদ্রিবনো? দেমোক্রেসিগী মায়খুম উপ্পগা দিক্টেটরগী লৈঙাক লিংলে হায়নরক্লিবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুবগী দন্দিরা ঙসি মীতৈ ফূরুপ্পা ফংলিবসি? কুকিগী মখূত্তগী কনানা কনবীগনি? পীকশিনখ্রবা মণিপুরগী বাউন্দরি কনানা চাউথোকহনগনি? ঙম্বু ঙমখিগদ্রা? মণিপুরগী মনুং চল্লিবা চীং লম্বী ফাওরগা মীতৈ মপান লম চৎপা ঙমখিগদ্রা? চীংদা খোঙ্গুল তারুবা ঙমখিগদ্রা? তোঙান-তোঙানবা ৱাহং কয়া কয়ানি ঙসি ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম কনানা পীগনি? লৈবাক ঙাকচগে, মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়না চোঙথোরকখিবা ঙসিদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা লুচিংবা ৪০ (তম্পাক্কী) লৈথোকপা য়ারোই। পূম্নমক অসিগী থৌদাং মখোয়না লৌফম থোকই। কুকি এম এল এ ১০নদি ফমগী অকিবা য়াওদনা মশাগী ফূরুপকীদমক অচুম-অরান থিদনা লেপ্পগা ঐখোয়গী মীহুৎনদি অচুম্বগীদমক করিগী ঙল্লোইদবা ঙম্ফম থোকই। মীয়াম্বু কনবীদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌনবগী খুদোংচাবা অমা ফংলিবসি লেম্না থারোইদবনি, মখোয়গীদি মরাইবক ফরবনি। খূৎলায় পায়দুনা লান চঙউ হায়বা নত্তে, চীংনুং-মানুংদা চঙদুনা কুকিগা থেংনৌ হায়বসু নত্তে, শারমচৎ চৎপা কুকিবু থেল্লুগদবসু নত্তে, মথৌ তৌ, লৈবাক ঙাকউ হায়বনি। মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়না য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা ভোটকী ভিক্ষা নীখিবা নৎত্রো? লম্বী-সড়কতা মাইক পান্দুনা লৈবাক ঙাকচগে হায়না কোইলাউ লাউখিবা নৎত্রা? মখোয়গী মথৌ অদু তৌরো হায়বনিদা, মসিবু অমুক হায়নরুবগী মথৌ তারিব্রা?

ঙসিদি লুচিংবশিং মশক উখিদ্রে, লম্বী লমখাংদা, মীটিংদা, ফঙ্কসনদা, টিভিদা, রেদিওদা মৱা মপাউ তাখিদ্রে, মোইবুং খোংদুনা থিনবা ফাওবা য়াওখ্রে। মশানা পামজনা শেমগৎচরুবা সিংহাসন সনাগী ওইরমদ্রে, তিঙ্খংগী ওইরল্লে। করি নুংগী ভোট লেপ্লুবনো হায়বদুমক য়ৌরে। কুকিনা লান্দারক্কনি খল্লুদে, এম এল এ, মিনিষ্টর লৈঙাক্কী থবক হাপ্পবনি, থিকা পীনবনি, অচৌবা করবারনি খল্লুবা, কম্ফোর্ট জোন্দা লৈগনি, এস্কোর্টনা ঙাক্লগা ফিরাল হাইদুনা চৎকনি খল্লুবা অরেম্বদা তারে, পূম্নমক তাইওন্নরে। এ সীগী রূমদা ফম্বদা মৈশা লাংলে, মৈথক্তা ফম্বগা মান্নরে। লৈঙাক্লা কুকি থেংনবা ঙমদ্রে, দেল্লীদা ৱাকৎপদা তাবীদ্রে, মরাল লৈতবা মীতৈ কনবীবা ঙমদ্রে, শুপচিল্লবদা লৈবাক ঙাকপা ঙমদ্রে, লৈঙাক ফেল ওইরে। শাওরমদবা মীতৈনা খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইশিল্লক্লবদি লৈঙাকপশিংদা ওনশিল্লক্লোইসু হায়নীংঙাই লৈতে। ঙসিদি ঐখোয়গী ওনরেবলশিং নূঙ অনীগী মরক্তা হা হায়বদু ওইরে, হা উরোক নমাংসু লাং, নতুংসু তেন হায়বদু তারে। রমায়নগী ৱারীদা বিবীষণনা কলিদা নিংথৌ ওইগে হায়না ৱাশকপদু হেক থোকইদা। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩ গী ৱাহং

১) **"কবি অমগী পূন্সি ৱারী"** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মনুংদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌবগে অমদি অইবা অসি কনানো?

২) **"মণিপুরগী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) "Bard's Last Litany" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) **"লীপূন চেৎনা"** হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **'সাহিত্য করিনো খঙদনা ইথোকপনা হাল্লুরে, অদুবু সাহিত্য করিনো খঙলকপদদি মহাক্কী পাক চাওরবা ঈপাক্তা ঐ ঈরাক্লরে...''** ৱাহৈ পরেং মতেক অসি রেদিও সেরিয়েল প্লে অমগী ফোঙখ্রবা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ষ্টেটকী পাউ

### দিষ্ট্রিক্ট মঙাদগী পার্টিসিপেন্টশিংনা শরুক য়াদুনা রামা ফাউন্দেশনননা নুমিৎ মরিনিগী চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস:** ইম্ফালগী নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেশনননা মমাঙথক্তগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবগুম চৎলিবা থা অসিগী ২দগী ৫ ফাওবা বিষ্ণুপুরদা চেঙ্গুম থাবগী নুমিৎ মরিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি রামা ফাউন্দেশনননা রি-য়ুনিয়ন ফাউন্দেশনগা খূৎশম্নদুনা শীনবনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মঙাদগী পার্টিসিপেন্টশিংনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুংদা রিজনল এচিভর এৱার্দী সোরাম রাজেন্দ্রকুমার অমসুং মোংশাংবম লকিনা চেঙ্গুম থাবদা শীজিন্নগদবা সাইন্টিফিক ওইবা পাম্বৈশিং, চেঙ্গুমদা তাগদবা লায়না-তীলনা, হূ চেনবা চেঙ্গুম মশক খঙদোকপা অমসুং চেঙ্গুমদগী অচার শেম্বগী অমসুং চেঙ্গুমবু মতৌ করম্না কংহনগদগে হায়বা য়াওনা ট্রেনিংশিংনা পুথোক্লবা চেঙ্গুমশিং য়োন্নবা লৌখৎকন্দবা থবক অমসুং শিনফম অসিদা মায় ওনশিনবদা ফংগদবা শেলগী তেংবাঙনচিংবগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাংখি।



রামা ফাউন্দেশনননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি চেঙ্গুমগী পোথোক হেনগৎহনবা, লন্নাই মীওইশিংদা থবক শুবগী হৈনবী লৈহনবা অমসুং পূন্সিবু মমল য়াওহন্দুনা পুন্সি মহিং ফগৎহনবনি। অসিগুম্বা প্রোগ্রামশিং অসিগীদমক মতম পূম্নমক্তা রামা ফাউন্দেশনননা শেম-শাদুনা লৈ হায়বগা লোয়ননা শরুক য়ানিংবা মীওইশিং অমসুং লূপশিংনা রামা ফাউন্দেশনগী মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৭৩৪৪৫২দা কন্টেক্ট তৌবীরকউ হায়রি।

### অল্ট্রা সাউন্দ মেছিন শীজিন্নবশিংনা রেজিষ্টর তৌগদবনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস:** পি সী এন্দ পি এন দি টি, মণিপুরগী ষ্টেট এদভাইজরি কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ফেমিলি ৱেলফ্যের সর্ভিসেসকী দিরেক্তর ডা. এল তোমচা খুমননা ঙসি থোকপা নোটিফিকেশন অমদা মণিপুরদা লৈরিবা অল্ট্রা সাউন্দ মেছিনশিংগী রিটেল্লরশিং, দিল্লরশিং, দিষ্ট্রিব্যুটরশিং অমসুং রিফর্বিসরশিংনা প্রি-কোন্সেপশন অমসুং প্রি-নাটল দাইগ্নোষ্টিক টেক্নিক (পি সী এন্দ পি এন দি টি), এক্ট ১৯৪৪না পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

নোটিফিকেশন অসি থা অসিগী ৩গী অয়ুক পুং ১১ তারকপদা ফেমিলি ৱেলফ্যের সর্ভিসেসকী দিরেক্তরসু ওইরিবা ডা: তোমচানা চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্ননি হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুরদা অল্ট্রা সাউন্দ মেছিনগা মরী লৈনবা অমসুং শীজিন্নরিবা পূম্নমক্লা এক্ট অসিগী মখাদা চৎলিবা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি। অল্ট্রা সাউন্দ মেছিন খক্তা নত্তনা ইমেজিং সেন্টর য়াওনা হায়রিবা রিটেল্লর/দিল্লরশিং অসিনা এক্ট অসিগী গাইদলাইনশিং নীংথিজনা ঙাক্কদবনি হায়রি।